"হো মৈতৈ, হো মৈতৈ
নঙগী থৱায় কয়ানো?
মিগা থানা কয়ানো
মিকোন থাগোল্লহৌদে
থৱায় মঙা শুহৌদে।" - শরৎ অরাম্বম

## শীংথানবিদ্রবা লান্মীশিং

—ঈ. আর. এন. নোরেন

মীয়াম থুপ্পা পাম্লরি থোরকপা
অয়ূক্কী কোরৌগী তাঞ্জাদো
শিংথানরি চীংখৈ হুল্লকপা
অদুগা হায়নৈদো কোরৌ মানা মহল্লে
তাইবঙ পূম্বা অসিদে।
অথোয়বা ওইনীং' মমাম-মপারীশিংবু
থোয়ারি কোরৌ মাগী মিংলেন লৌদুনা।

কোরৌ মানা য়াচংখিবগুম
নোচুপ মায়কৈ তমন্নবা
ইরমদমগী মহৈ হৈথোয়বশিং
থাগৎনৈ মীয়াম লৈবাক শন্দুনা
হায়নৈ মথেখবু মীয়ামগী লক্তগী অথোয়বনি!

অদুবু ইরমদম শোথরবা অসিগী
অৱাৎ-অপা মেনখৎনবা
ওইজ-ওইথক কয়া থাদোক মশা-মশাগী
ঈংনা থোকচরিবা থাজ-থানিল কয়াদি
লৌমী-শিন্মী কয়াগী
নুংমিদাংৱাইরম ময়ুম পাংলকপা
হুমাং ইরিক কোকহুম্বা
শিংথানবিদ্রি তাইবঙ কনানা
লান্মীনি হায়না মীয়ামগী!

## কুম পুবা পুলিস রিক্রুটমেন্ট

—লৈশাংথেম খেলেন্দ্র

কুম পুরবা পুলিস রিক্রুটমেন্ট
চহী কয়া হৌদ্রে
নঙতবু ঙাইবদা ইরু হৈয়া তারে।

তুম্ফম চাফম খঙনদ্রে
শুগনি খল্লম্বা ৱাখলসু কাউদ্রে।

করম্বা কান্দা তন্নিংগবা
হায়দোকপীরগদ্রা হায়দোকপীরোইদ্রসু খঙদে
ৱাখলসে ইরাংদা লাংলে।

লৈঙাক অমদগী লৈঙাক অমা লানম্লে
অরৈবা মান চাং কায়দুনা
লৈঙাক্কী থবক অমতং তৌহৌরবদি খল্লুবা
পুন্সি লাইমনওইদুনা
অৱাবা কয়া মায়োক্লুরে।

থোকপীরো থুনা রিজল্ট
মায় পাক্লবসু ফরে পাক্লবসু ফরে।
ৱাখলসে ইংনা লৈজবা ঙল্লবা।

নোংদম্বা নঙসু ফৎতে
ঐথোয়বু চহী কয়া লাক্লবদি
ঐথোয়বু নঙগী নচা নসু নৎত্রব্রা?

## নীংশিংলুরগা

—শ্রীকাঙজম নন্দকুমার

নীংশিংবতা ঙাইহৌরে
হৌম্বা পুন্সিগী থৌদোক খুদিংমক
নোংমা ফম্মিন্নদুনা হরাউ হরাউ
ৱারী ৱাতাই কয়া শামিন্নখিবা।

হৌম্বা থৌদোকশিং অদুবু নীংশিং নীংশিংদুনা
ঙসিসু ঐ লেপ্লি হৌম্বা পুন্সিগী
থৌদোকশিং অদুবু নীংশিং নীংশিংনা।

ইপা ইপুনা থম্বীরম্লবা
য়ুমগী মাঙ্গোল অসিদা ফম্লদুনা
নীংশিংলি হৌম্বা ৱারীশিং
অমগী মথংদা অমা
অমগী মথংদা অমা
মথং মথং চংখিবা
মথং মথং লোইখি
ঙম্নমক মীৎমাংদা থোকখিবা ঙাক্তনি।

ঐবু পুরদুনা চংখিবা সনা শোরোক য়াংবীথক
চীংশাং পরেং নীংথৌবী
তুরেলগী তোর্বান পরেং অদুদা
শারবা কালেনগী নুংশালক্তসু
ইপা ইপুশিং অদুনা ঐবু পুরদুনা
লৌবুক লম্মাং তমখিবা
ঙসিদি ঙম্নমক মাঙখ্রে।

মতমগী অওনবা কয়ানসু পুরকপা ঙম্লরোই
অনৌবা ঋতু লাক্লনা অনৌবা হৈরাং লৈরাং
শাংলবরনসু নুংশি হৈনম লৈনম য়েল্লরবসু
লাক্লরোই লাক্লরোই ঐবু পোকপা পম্বৌসু

পম্বৌ পোকপা ইপুসু
ইমা নঙগী নশাইকোন্দা
ওয়া থোইনা শাল্লহনবা
কুপম্বে ঙসিদি অমম্বগী লৈচিলনা।

## মীখলগী ফল

—মনি থৌদাম

শিসি মখল্লি
শিদোকপা মঙমদে
নুংশিবগীসু মনৎতে
ঐনা পুমহেল্লি মখল্লু
লৈবাক্কী থৌরম থৌদা
তুমিন তুমিন লৈথোক্লুবা।

শিসি মখল্লি
শিদোকপা মঙমদে
খল্লি থম্মোয়দা মমাঙঙৈদি
অমুক্তং ভোট কারবা
ভোট খোম্মগী ৱাহম্থোক লৈরোই।
চহী তরা কুপ পায়রবা
রাজ ভূক চারুবা লৈবাক্কী
তুমিন তুমিন খঙশিনখিদবা
অসুম অসুম ইকায়রে
ৱা অমত্তা ঙাওনীংদ্রে।

শিসি মখল্লি
শিদোকপসু মঙমদে
মীচম মীয়ামদা নমথাক তৌরবা
ইরন-ইথুম, শেলদা খল্লুবা
উরোই-খঙলোই কুসি তৌরু
লাইরেন মতুং ঙা ইলম্বা
লোইনা মাঙম্বে, চৎম্লে।

শিসি মখল্লি
শিদোকপসু মঙমদে
ময়ায় লৈকায় থম্বাল শাৎ।

খোইমুনা ইল্লে খোইরারে
মকা লাম্বা উরক্লে
চীং-তম মাঙম্বে
মীচম মীয়ামগী খোল্লাউ থোরক্লে।

শাবি লাও-লাও মাঙদা থারুলাও
কল্লকপা য়াম্মী, কঞ্জাওবা য়াম্মী
চেনসি চেনঙমদে, চোঙসি চোঙমদে
ৱা অমত্তা ঙাঙদনা ঐখোয়বু অসুম তোক্লগদ্রা?

## তারিখ ১০ অমদি ১৫- হৈনৌমখোংদা

—কোঞ্জেংবম মনি

লাংওন অমনি কলিগী
ময়ানি ময়া মণিপুরগী
উদবা খঙবা অমম্বদুগী
অঙানবদা মঙফাওনরকপা অহিংদুগী
তাম্ন ৱাখল মিৎয়েংগী
ৱাংমদশিংদু, মমি শাম্বরবা
কংলৈপাক্কী হৈনৌমখোংদুগী থৌদোকসে।

থাজদে থাজদে থাজদে!
অসিগুম্বা থৌদোক অমা লাক্লনি হায়বসে
খোক্তি থোকখিদ্রি অসিগুম্না
হৈনৌমখোং দরবার অমা ইরমদমসিদা
চীফ মিনিষ্টর অমনা মণিপুরগী
মীচম মীয়ামসু হরাউনা কৌবীবা
অৱাবদু তম্লরো, নুংঙাইতবদু হায়ররো।

লম্বীদা চৎপদা হায়ফেৎ য়েংজবা নত্তনা
চঙগে থোক্লুররবসু ওইথোক্লরোই খন্না
নীংহন্না মায় লৈদুনা হুয়খিবা ঙাক্তনি;
খঙনা চাৱবা, মরী-মতা, মশেন-মৱাইখক নত্তনা
চংনীংবদি কোম্পানি পেন্দবা কয়াগী
হায়নীংবা পোৎলুম ৱাখলদুগী লুমদুনা লৈরিবা
কয়াদুগী, মীচমদুগী, মীশোনশিংদুগীদি।

চঙজরেদো ঙসিদি
উন্নজরেদো মনীংতম্না
তমজরেদো মপাউদো
কৎচরেদো অরৈবা খরদুসু
য়েংনজরে মায়গা মায়গা
পেল্লে পেল্লে খঞ্জল্লেদো
মোমোন মীনোক অমা হৈনৌমখোংদুদা।

## তেংথাখোল

—য়েম্খোম তোম্বী দেবী

মাঙলেদকো মণিপুর লোইরেদকো ইরৈপাক
মোঙফম ওইরে ঙসিদি
ৱারেদকো ইমা নঙগী তম্পাকসে।

পোৎলোইবগী মৈথুনা কংলৈপাকসে মমম্লে
খোম্থাং য়ৈরে মীকপ মীরাওখোলতনা
ৱারেদকো ইমা নঙগী তম্পাকসে।

নীনি কাংদা মীহাৎপগী ৱারীনা
শুমনি শুবা কৈদৌবা...;
ৱারেদকো ইমা নঙগী তম্পাকসে।

নুজা ওইবী কয়াদি ৱাখল লৈতাজদ্রে;
থৱায় চেম্বুম চেঙ্গানৈ
মীপাই থৱায় ওইরিনৈ
মঙলানগী ৱারী ওইরদি
নুংঙাইস্প্নি খন্নরি।

পোক্লফম লমদম লমনুংশি
ইমা নঙবু নুংশিবী
শমলাং চোইজাইনর অঙাওবীগী মতৌগুম
করি খল্লি ঈগী লৌথোংঙ উরগা
মঙলান ওইর নুংঙাইনীবু খনত্রা?

নচা পীবারেন কয়ানা;
কংলৈ চনু কয়াগী
ঈগী খুজোক থক্তুনা
হিংচাবগী শক্লোন লৌরিবা
করম্না খাঙলি ইমাবু।

নুপা ওইবা কয়াগী;
লমচৎ লিচৎ উরগা
নুপী ওইনা পাইখংদ্রে
নুজা ওইনা হিংনীংদ্রে
খল্লকলেদো মুখৎলগে তাইবঙসে।

# গাই দি মাউপাসাগী ৱারীমচা ১৫

## (ফ্রান্সকী খ্বাইদগী চাউবা ৱারীমচা ইবা অমগী ৱারীমচা খরা)

**হৌজিক** অসি হন্দোকপগী (ট্রান্সলেসনগী) মতমনি। মালেম পূম্বগী সাহিত্য অমতা ওইরবনি। তুরেল মচা ময়াম্না ঈপাক্তা তিনবগুম লোন লীশিং কয়াগী খোরিরোল অমতা ওইনা তিনখ্রবনি ঙসিদি। মসি পূম্বসি হন্দোকপগী মপান্দগীনি। শম্না হায়রবদা মালেমগী অফবা সাহিত্য পূম্বা ঐখোয়গী চীংলৈবাক অসিদা পাবা ফংদবা লৈরক্ত্রবনি। অদুগা লুরিবনা হন্দোকপা হায়বা অসি হেক্তা য়াদবা অসিনি। মসিসু কলা অমনি। লোন অনীদু খঙলগা হেক্তা হন্দোকপা য়াদবা, লোন অনীদু ঙাঙলিবা মীশিংদুগী নাৎ, কলচর, পাউরৌ, পান্থে, ফিজেৎ-চাকচা লোইনা মমুৎ তানা খঙদবা য়াদবা অমা য়াওরি। অদুনা হেক পাক্না হন্দোকপা ঙম্নদে। অদুবু ঙসিদি লম অসিদা তাংজবা নত্তনা মালেম পূনবা য়াররোই খঙনরকপনা ইথৌ, মথৌ অমা ওইনা চথনরকপনা কয়াদা ফ্রি ওইরল্লবা। মতম্না পুরকপা খুদোন্নি ঐখোয়গী।


উর্দুগী অইবা মুস্তাফা জালিন্না ট্রান্সলেসনবু নুপীগা প্রমান তৌই। মানা হায়রি, মশকফজবা নুপীদি খরা অদুম ৱাংমা লানগল্লি। অদুগা মশকফজদবী, অথীবী নুপীনা হায়বা খিৎ মইল্লি। অদুম্না ট্রান্সলেসনসু ফজবা ট্রান্সলেসন্দি হন্দোক্লোয় অদু পল ৱাংমা খরা লাল্লবনি, মশাগী মনীং খরা তল্লবনি। ওরিজিনেল অদুগা চপ মান্ননবা হোৎনরবদি ট্রান্সলেসন্দু অথীবা ওইরগনি। অদুগা অমুকসু হায়নৈ, ট্রান্সলেসন্দি মপুন্সি চুপ্পগী লোইথাখ্রবা মীশক্কি, অমুক ময়ূমদা হল্লক্লরোইদবা। লোন অমদগী অমদা সুম হন্দোক্লখিবদা ওরিজিনেল অদুদগী সুম তামখ্রবনি, কৈদৌনুংদা অমুক হান্নগীদুগী মশক্তা, মতৌদা হল্লক্লরোইদবা কলা অমনি। ট্রান্সলেসন ফজরগনা ওরিজিনেল রাইটর অদুগী মগুন হেনগৎপা, থীরগনা হন্দোক্লোয়গী দশা ওইবা লুখ্রবা থবক অমনি।

অসুক লুবা থবক অসি ঙসিদি অইবা সনসম ভরতনা পায়খৎলকপদা থাগৎতবা ঙমদে। মদুসু ফ্রান্স লোনগী খ্বাইদগী চাউবা ৱারীমচা ইবা গাই দি মাউপাসাগী পোখোকশিং। মসিদি ওন্থোক্না চাউবা থবকনি হায়নীংঙি। অদুবু মায়দি পাক্লে। মীয়াম্না হায়নবা, হন্দোক্লিবদুনা মশানা ইবা হেক মাল্লবা মায় পাক্লবনি হায়বদুমক থোক্লে। মীতৈলোন ফনা নীংথিনা তাবা উরে। পাবদা পন্দ্রে।

গাই দি মাউপাসা হায়বসি ইবদা শীজিন্নবা মিংনি। অশেংবা মমিংদি হেনরী-রেনে-অলবর্ট কৌই। আইন তমজরম্বদগী ফ্রান্সকা প্রুসিয়াগা লান শোক্নরকপদগী লাইরিক তম্বা তোক্লগা অইবা অমা ওনখিবা মাউপাসা ফ্রান্সকী খ্বাইদগী চাউবা ৱারীমচা ইবনি হায়না শোন্নরি। মহাক হেক ফাওখিবদি মাগী ৱারীমচা, 'Boule de Suif (Ball of Fat) হায়বদু ১৮৮০ দা ফোঙলকপদগীনি। ৱারীমচা অসিনা মাগী খ্বাইদগী ফজবা ৱারীমচানি হায়নরি। ১৮৭০ দগী ১৮৯০ ফাওবগী ফ্রান্সকী পুন্সি মহীংবু মচু তানা মমি তাহনবা মাগী ৱারী ৩০০ লোমদুনা মাবু মশক ফজনা তাক্লিবনি। অদুবু মরমচৎনা সিফিলিস পক্তুনা অঙাও-অফৈ ওইনা অইবা অসি চহী ৪২ দা তাইবঙ থাদোকখি।

সনসম ভরত (এস বি) না অইবা অসিগী ৱারীমচা ১৫ খক ঐখোয়গী লোন্দা পুশিল্লকপনি। ঐখোয়না খঙঙি, মাউপাসাদি মতমদুগী ১৯ শুবা চহীচাগী লোইরমদাইগী ফ্রান্সকী খুন্নাইদুগী মী মখল খুদিংগী মরমদা ৱারীমচা শেল্লম্বনি। অফিসারদগীনা খুঙ্গংগী লৈশাবী ফাওবগী মচৎ, থমোয় ইহুল, অরোন-অথুপ লোইনা শোক্না ইরম্বা নুপানি। অদুগী মথক্তা মশানা ওক্তবনিনা ফিজং মরুমগী পুন্সি লোইনা খঙবা মাউপাসানি। অদুনা মাগী ৱারীদা ফন ফন চোংথোক্লকই, হেক ইকাই শেঙ্গোই হাঙবা থৌদোক্কী ৱারীফাও। অদুনা মাগী ৱারীমচা পূম্বা কল্পনানা শাগৎপা অমত্তা নত্তে, য়াম্না রিয়েলিটি নকপা, খুন্নাইগী মশক অমা লেপ্পদা মতেং ওইগদবা মচাক ঙাক্তনি য়াওরিবা।

অহানবমক্তদা ভরতনা থল্লি, অইবসিগী য়াম্না মমিং লৈবা ৱারীমচা, 'নোঙ্গাখ্রবী অমগী অরোন অথুপ' হায়বা ৱারীমচাসি। মসিদা মউপাসানা উৎপা পাল্লি, নুপী ওইবীগী অরোনবা লমচৎ অমা। মদুসু খুন্নাইনা পীবা, মাগী মপুরোইবনা ওইহনবা। নুপী ওইবীনা মচানুপা, নুপীগী য়োকপগী পোৎলুম পুহৌরবী, মাগী নুপানা মশাগী নুপী লৈরি খন্দবমখৈ ঙাওচৎনখ্রবা, লন্নক্কী শা ওনখ্রবদা মাগী নুপীদুনা কয়াম কুইনা লমচৎ চুম্বা ঙমগনি। মসিদি মশানা তাজবা ৱাফমনি। নুপীসিনা থা কয়া, চহী কয়া হল্লক্ত্রবা মাগী নুপাদুবু লাইমক্লি খন্দুনা লৈবা ঙল্লক্তে। মাগীসু অরোনবা নুপা অমা থম্বা তারকই। থমখি লোন্না। অদুবু মচাশিংদি খক খঙহন্দে। মমাদুনা শিরবদা মমাগী উপুদগী চিঠী খরা




| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | গাই দি মাউপাসাগী ৱারীমচা ১৫ |
| মখল | ঃ | হন্দোকপা |
| হন্দোক্লোয় | ঃ | সনসম ভরত সিংহ |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৭ |
| অফোঙবা | ঃ | মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, থৌবাল মসা |
| পাউদম্লিবা | ঃ | সলাম তোম্বা |

পারুবদা ফিজং মরুমগী অরোনবদু শংশং উরকই। মতমদুদা মমাগীদমক শিন্থুরিবা পিদু মতোমতা কংখি। ওন্থোক্না সস্পেন্স লৈবা খূৎইনি। সপ্রাইজ এন্দিং অমদা লোইশিনবা ৱারীমচানি। ভরতনা য়াম্না মৈতৈলোন তানা মসিবু হন্দোক্লি।

মথঙদা 'লিকফাং' হায়বসি পনবা য়াই। মসিদা মাউপাসানা লৌমী-শিন্মীগী ইমুংগী ফিভম য়েক্লি। লায়দি লায়রবা, ইজৎতি থম্নবা হোৎনবা, মীওইবগী মমল লৈবা ৱারীমচানি। লায়রবা ইমুংদুগী নুপীনা লৈকায়গী মমান্নবী অমদগী লিকফাং অমা ৱায়দুনা শিরগা মাগী নুপাগী মতুং ইন্দুনা পার্টি চৎলুবদা লিকফাংদু তাহৌবগী ৱানি। অদুবু লিকফাংদু মানবা অমা থিরগা লৈনবা হোৎনবদা ফ্রান্সকী পৈশা ফ্রাঙ্ক লিশিং ৪০ রোম পূদুনা-লাক্তুনা চপ মান্নবা লিকফাং অমা শিংখিবগী ৱারীনি। শেন্দোল অদু শিংনবা হোৎনবদা মতৈ-মনাওদু শকফম ফাওবা ওনখি। অদুবু মাউপাসানা ৱারীমচাগী মহাও চপ চানা পীদুনা লোইশিল্লি। মমান্নবীদুগা নুপীদুগা চহী ১০ মতুংদা উনবদা ৱারীদু নীংশিংনখি। মদুদা মমান্নবীদুনা তপ্পা হায়রকখি, "ওহ! ওন্থোকইদা মথিলদে! ঐগীদুদি অরুপ্পনি। মদুনা পীগে হায়না পীরবদা ফ্রাঙ্ক চামঙা মঙাই।" কয়া ফজনা লোইশিনখ্রবা, অৱা-নুংঙাইনা থল্লবা ৱারীনি। মখাদি অপাবশিংনা খনবীরো হায়না থনম্লে।

মথঙদা 'ষ্ট্রিং মতৎ অমা' হায়বসিদনা মাউপাসানা মতমদুগী য়াম্না লিকচবা, ওইজবা পাম্বা মীচম অমগী মচৎ য়েক্লি। মহাক্তি লম্বীদা চৎলবসু কুদাম অমা তারম্লফাও খুনবগী হৈনবী লৈজে। অদুনা নোংমা কৈথেল চৎপদা তরা মতৎ অমা তাবা উবদা খুনখি। তৌরিবনা মানা নোম্থবদা মাগী খ্বাইদগী য়েক্নবা নুপাদু উথোকখ্রে। তরা মতৎফাও খুল্লি হায়খিনি হায়দুনা অরিকপদু তৌশিন্নদুনা কৈনো অমা থিবগী মওংদা লৈরে। তাঞ্জা অদুদা পোৎ অমা তাহৌরে, অখুনবা কনাগুম্বনা পীবিরবদি মনা পীগনি হায়না সহরদুগী মেয়র অদুনা শগোলপাউ থারক্লে। অদুদা য়েক্নবদুনা তমশিল্লদুনা অরিকপদু ফাগৎখিবগী ৱারীনি। অদুবু কায়নথংদা অওইবা অখুনবা মীদুনা পোত্তু মেয়রদুদা পীখৎলকপদগী অরিকপদু থাদোক্লকখি। মসিদা উৎলিবদি বদনাম অমা কোক্লবা হোৎনবদা অরিকপদুনা মীপুম খুদিংদা পোৎ অখুনবদু মহাক নত্তে হায়না শেংদোকপা তাখি।

মথঙদা ৱারীমচা অনীখক য়াওরি ফজবা। অমনা, 'মপাবুং' অদুগা অমনা 'মরাল য়াজবা'। অহানবগীসিদা মাউপাসানা উৎলি নুংশিবদা মীনম্লবগী অৱাবা, ইচাগী মৈ। নুপাসিনা য়াম্না চমজবী খুঙ্গংগী নুপী অমা নুংশিরুরে। নুপীদুদি লমচৎপু লুনা লৌজবা অমনি। মানা কয়ারক নুপাদুগী ঈরাংদা লাংথুদনবা হোৎনজে। অদুবু নুংশিবগী মৈনা চাকশিল্লকপনা নুপাদুগী অপান্বদা য়াবা তাখি। মমৈদদি নুপাদুনা নুপীদুবু মমল লৈনা লৌরক্তে। অদুনা লোৎখি। নুপীদুদি মৈশা লাংহৌরে। মানা মহৈ চাজবা তারে। মাগী ফিভমদু উবদা মীনুংশি চাউবা নুপা অমনা মমায় ঙাকপীদুনা লুহোংবীরে। নুপীদুনা কয়াদা ৱাজখিবা। লোৎখিবা নুপাদুনা মচানুপাদু মাগীনি খঙলকপদদি মশাদু তু চুংখি। মানা মীনমদুনা লোৎখিবগী মৈশা লাংবা হৌখি। মচাগী প্রেম্না হেল্লকপনা অকোনবগী নুপাদুদা হায়জদুনা অঙাংদুবু অমুক্তং পেন্না চুপ্লম্লগা তাম্না চৎখি। অকোনবগী ৱারীমচা 'মরাল য়াজবা' হায়বসিদনা চমজবী খুঙ্গং চনু অমনা লায়রবগী চৈথেংনা লমচৎপু লায়না লৌরুবগী দশা অদু উৎলি। গাড়ী ভাড়া থা অমা পীদবগী ড্রাইভর অদুদা ঈজৎ পীথোক্লুবগী অৱাবা চৈথেং ফংলে। মীরোল্লে । মমানা মাবু ফুদুনা হংবদা লোইনা হায়দোক্লে। অদুবু মাউপাসানা ফজনা লোইশিল্লি। লায়রবদা ঈজৎকী ৱা চঙদে। মমাদুনা হায়খি মচানুপীদুদা, "ড্রাইভর অদুদা তাক্লুখিনু, থা ৮ লোমগী ভাড়া কোক্লহৌখিসি।"

লোইশিল্লকপদা ৱাহৈ অমতংদি হন্দোক্লোয়দা হায়নীংঙি। ৱারীমচা ১৫ অসিগী ইংরাজিগী মমিংশিংদু মণিপুরীগী মখাদা হাপ্লম্লবদি ফজবা হেল্লমগনি। অদুগী মথক্তা মাউপাসাগী খ্বাইদগী ফজবা ৱারীমচানি হায়রিবা 'Ball of Fat' অদুমতংগা হাপচিনবা ঙম্লম্লবদি হেন্না মপূং ফারমগনি হায়নীংই।

# এক্ট্রেস - অনীশুবা শরুক

-মুন্সি প্রেমচন্দ

**কুঁৱর** সাহেবকা তারা দেবীগা লোন্দিন্নরকপসি থা অমরোম ফারক্লে। নোংমতা উনদনা লৈবা ঙল্লক্ত্রে । নোংমনা তুরেল মপান্দা, নোংমনা পার্ককী অশংবা নাপী মথক্তা ফমদুনা ঈশৈ শক্তুনা অনৌ অনৌবা প্রোগ্রাম শেমদুনা উন্নে। তরাবাইনা কুঁৱর সাহেবপু ফাখ্রে, মাগী মরল পূম্বা চূপখ্রে হায়না সহর পূম্বনা শোন্নরি-ঙাঙনরি। অদুবু তারাগী মফমদদি কুঁৱর সাহেবকী মরল হায়ববু মাগী নুংশিবদুনি, মাগী নুংশিবগী মমাঙদা মালেমগী লন-থুম পূম্বা করিসু নত্তে। অদুবু থা অমরোম নুংশিগী কৈথেলদা কোয়চৎ চৎলবসু তারানা মানা পামজরিবা পোৎশক্তুদি ফংবা ঙমদ্রি, মা ৱাহৈ অমখক্কীদমক লাংতক্লরি। মানা কুঁৱর সাহেবপু নুংশিরুরে, হায়ফম খঙদনা নুংশিরুরে, মানসু মাবু নুংশিবীবগী ৱাহৈ ঙাইহাক লৈতনা ফোঙদোক্লি অদুবু মানা পাল্লিবা 'লুহোংবা' হায়বা ৱাফমদুদি মাগী মচিন্দগী অমুক্তা তাবা ফংদ্রি। খৌরাংলবা মীনা ঈশিংতনি পাল্লিবা, অতৈ করিবু পাল্লুনি? খৌরাংবা কোক্লবা মতুংদা অতোপ্পা পোৎ পাল্লকপা হায়বসি তাইবঙগী হৌনশানি। মাগী মিৎয়েং অমদা কুঁৱরনা মথৱায় ফাওবা থাবা ঙমগনি হায়বসি মা খঙই অদুবু হৌজিক ফাওবা মাগী মচিন্দগী লুহোংবগী ৱাফম হৌদোরক্ত্রিবসিনা করিগী? চিঠি ওইনা ইরগা খঙহল্লসিরা, মাবু শুপ্নতংগী পূক্নিং হরাউহন্নবা পোৎ ওইনা থল্লগে খল্লবজাৎলা?

অশোমদা কুঁৱর সাহেবকী মচিন মনাও মরী-মতাশিংসু অরায়বা অমত্তা নত্তে, মখোয়না কুঁৱরবু তারা দেবীগী খুবামনুংদগী কনবা পাম্মী। কুঁৱরনা লুহোংলবতদা মদু ওইথোকপা য়াগনি, মরমসিনা মখোয়না মাগী লুহোংবগী ৱা খন্নবা হৌরে। লিলা য়াওবীসিগা কুঁৱরগা লুহোংখিবগীদি থোইদোক্না খল্লুদে, অদুবু মখোয়গী লৌ-শিং, লম-তু মাগী মচানা লৌমিনি হায়বগী ৱাফমসিদনি অকিবা ফাওরিবসি। মরমসিনা মায়কৈ পূন্নমক্তগী কুঁৱরবু লুহোংনবা তকশিল্লক্লি, য়ুরোপকী ফম্নাইবশিংনা ফাওবা ৱাফমসিদা থৱায় য়াওশিল্লক্লি। নুমিৎতুগী নুমিদাংৱাইরমদা কুঁৱরনা তারা দেবীগী মনাক্তা লাক্লগা হায়রৈ তারা! ঐ নঙোন্দা ৱা অমত্তা হায়গে, য়াদবা তৌনুকো। মদু তাবদা তারাদু হরাউবগী ঙমখৈ লৈত্রে। হায়রকই- হায়বীয়ু! ঐনা ঙমগদবা ওইরবদি নঙোন্দা কৎচগে, লাইবক ফবনি খঞ্জগে। 'ৱাদু হায়রম-হায়ফাৎত্রিঙৈদা মানা য়াথোকখ্রে, হরাউবা পূক্নিং নুংশিবা পুল্লদুনা মানা কুঁৱরগী মখোঙদা তুথরকই।

ঙাইহাক লৈরবা তারানা হায়রকই - 'অসুক কুইবসি অদোম্না করিমত্তা হৌদোরক্তবদুদা ঐদি নীংবা কায়রুরবনি।' কুঁৱরদু ৱা ঙাঙবা থোকখিদ্রে, ঐনা হায়রুরিবসিবু লাল্লবরনে হায়না খল্লকই। 'ৱাফমদি অসিনি, নহাক্লবু য়াবিনি খঙলম্লবদি ইবানি ইহান হান্না উনবা নুমিত্তুদা ৱাফমসিমক হৌদোক্লমগনি অদুবু ঐসি নহাক্কীদমক মতিক চাদবরা খঞ্জবদগী হৌদোকখিদবনি। নঙদি গুণ পূন্নমক্না লৈতেংলবীনি, ঐদি করিসু নত্তে, নঙনা খঙলিবদুনি। পুন্সি চুপ্পা নহাক্তবু নীংজদুনা লৈরগে হায়না খল্লে, মতমদুদা নহাক্না পেনবীদুনা ঐবু থৌজানবীরকপা য়াই, মসিতনি ঐগী অপাম্বা। ঐগী ইগুন হায়ববু নঙবু ঐনা নুংশিরুবসিনি। নহাক্না সাহিত্য অমদি ঈশৈ নোংমাইগী মরমদা ঙাঙলকপা মতমদা ঐহাক তৌফম খঙদে হরাউমনখিদুনা অঙাওবা ওনগে তৌই।'

কুঁৱর নির্মলকান্ত ফনা কুইনা মাগী থম্মোয়গী ৱাফমদু ঙাঙদুনা লৈরে, মহাক অসুম্না অমুক্তা তৌরক্ত্রি। তারাদু লু-লুকথরদুনা পূন্নমক তারি অদুবু নুংঙাইবগী মহুত্তা ইকায়বা-শাওনীংবগী মমিদু মাগী মায়থোংদা তারি। মসিগী নুপাসিগী মবুকচেলসি ওন্থোক্না চমখ্রে, হায়জিন্নবা য়াওদে, কয়াদা নোল্লুকখ্রবা, পুকচেল কয়াদা চাউখ্রবা! খঙহৌদনা কুঁৱরনা হায়রকই -'তারা, ঐগী লাইবক ফবা নুমিত্তু কৈদৌঙৈ লাক্কদগে? চানবীদুনা য়াম্না থেংথরনু।

তারানা কুঁৱরগী চমজবা অদুদা মায়থীরদুনা ৱাখল তৌরপনা হায়রকই - 'আইনদি কমদৌবা?' কুঁৱরনা খুদক্তা পাউখুম পীরকই 'মদুগী মরমদদি নহাক করিসু খল্লুরনু, ঐ উকিলশিংগসু তান্নরবনি। সিভিল মেরিয়েজদা ইবান্নি লুহোংবা য়াই। ঙসিমক ওইথোকপা য়াগদ্রা?'

তারাদু মরু লুকথদুনা লৈরি - করিমত্তা ঙাঙবা থোক্ত্রে।

'ঐ অমুক ঙন্না লাক্কে, শেম শাদুনা লৈরম্মু। 'কুঁৱরদি চৎখ্রে তারা নূংগী মুর্ত্তিগুম লেপ্তুনা লৈহৌরে । নুপাগী থম্মোয়বু হুমদুনা পুবা ঙন্বী হৈশিংবীদু ঙসিদি লোম্হোক্তবী ওইখ্রে।

লুহোংগদবা নোংমা ৱাৎলি। মায়কৈ কয়াদগী নুংঙাইবা ফোঙদোক্লরক্লি, নুপী নুপা কয়ানা মাগী মাগী ঙমজবা খুদোলপোৎ কয়া পীনরক্লি। কুঁৱর সাহেবনসু মনি-মুক্তা থাল্লবা অকে অমৌগী পোৎলম হাপ্নবা উপু অমা পীরকই। মাগা লুনা তিন্নবা মরুপ-মপাংশিংনসু মখল-মখা কয়াগী খুদোলপোৎ পীরক্লি, অদুবু তারাগী মায়থোংদা হরাউবা-নুংঙাইবগী মমি অমা ফাওবা তাদে। 'কুঁৱরনা ঐবু থাজবা মাঙহনগদৌরিবরা?' হায়বা ৱাহংসি মাগী থম্মোয়দা তত্তনা হংলি। নুংশিবগী শকলোন লৌরবা নুপাসিনা মাগী শাগৈগী ইকায়খুন্নবা - অচাউরম পূন্বা কথোক্লে, মরী-মতাশিংগা মরী তৎনরে, মাগী থম্মোয়সি অয়ূক্কী লিক্লাগুম শেংই, চীংজাউগুম্না চীং লেম্না ৱাং চাউই, মঙোন্দা মীনম্বা! অদুক য়াম্না হম্বা থবক্তি ঐ তৌবা ঙমলোই। পুন্সিদা নুপা কয়ানা নুংশি চিরোল তৌখ্রে অদুবু মাগী থম্মোয়দা অসুম্না নীংজিং-মাংজিংনবসিদি য়াওখিদ্রি। মানা কুঁৱর সাহেবকী পুন্সিবু নুংঙাইহনবা ঙমগদ্রা? হোয়, মসিদা করিমত্তা চিংননিংঙাই লৈতে। নীংজবদা ফংবা ঙমদবা অমত্তা লৈতে, অদুবু মানা মহৌশাবু মীনম্বা ঙমগদ্রা? নুমিদাংৱাইরমনা নুমিৎয়ুংবগী মতৌগুম মঙাল পীবা ঙমগদ্রা? ওইথোক্তবনি। মাগী চমজবা, মীবু হরাউহনবা ঙম্বা, মথৌদা পূক্নিং চঙবা, কথোকপা অসিদা নত্তনা য়ামখ্রে অদুবু মানা কুঁৱরগী পুন্সিবু নুংঙাইহনবদি ওইথোক্তবনি। ষণ লাবা হনুবনা ষণাওগা লমজেল তান্নবা ঙমগদ্রা?

ওন্থোকপনি! মদুমক্তি ওইহল্লরোই। করিগীদমক্তনো মানা খূৎশেমগী অকে-অমৌ, ফিজেৎ লৈতেংনা কুঁৱরবু শুমহৎলুরিবনো? অদুবু অসুক খুমাং চাউশিল্লক্লবা তাঞ্জাসিদা করম হায়না হায়রুনি - 'ঐদি মচু শংলবী লাইধিবীনি, ঐঙোন্দগী নহা ওইবগী মতমদু চৎখ্রে, হৌজিক্তি মমিতা ঙাইরে।

অহিংগী পুং ১২ তারে। তারাদু টেবল মনাক্তা ৱাখলনা উংদুনা লৈরি। টেবল মথক্তা খুদোলপোৎ কয়ানা পীক থন্না লৈরি। নুমিৎ মরিনিগী মমাঙদদি মা পোৎশকশিংসিবু য়াম্না পামলুই অদুবু হৌজিক্তি মা পোৎশকশিং অসিবু হঙ্গৈইরক্লে। নুংশিবা হায়বসি অচুম্বনি অদুবু অচুম্বা অমদি মীনম্বা পূন্না লৈমিন্নবা য়াদে। তারাদু মফমদুদগী লোন্না চেনখ্রসিরা হায়না খল্লক্লে। মাবু কনামত্তনা মশক খঙদবা লম অমদা লোৎলুরসিরা খল্লে। অদুগা কুঁৱরনা লুহোংলবা মতুংদা লাক্লগা মঙোন্দা ৱারী পূন্বা লীরসিরা খল্লে। কুঁৱরনদি কয়াদা নুংঙাইজরোইদবা অদুবু করিদি উপায় লৈরি। মানা কপ্তুনা লেনগদবদু অদুবু মাগী নুংশিথোইবগী মফমদা মা মীনম্বদি ঙল্লোই। মাগী লাইরৈপাক্কী নুংশিবদু মাঙদনবা অৱাবা খরা খাঙজবনা ফৈ। লোয়নবীনা হায়রৈ - ইবেম্মা, চাক খজিক্তংদি চাসি অহিং নোংয়াই য়ৌখ্রে।

তারা - ঐ চানিংবা অমত্তা ফাওদ্রে, নঙ চাথোক্লুরো।

লোয়নবী - ইবেম্মা, ঐবুদি কাউথোকপীগনুকো, ঐসু নঙগা লোয়ননা লাক্কে।

তারা - নফি নরোল ফজবা লৈরবরো?

লোয়নবী - ইবেম্মা, ঐনবু ফিরোল ফজবা কৈদৌনরুদোইনো, নহাক্কী অমনবা খুল্লগা লোইরেদনা। লোয়নবীসু চৎখ্রে, মানা ঘড়ী য়েংই। তশেংনমক নোংয়াই চপ চানা ওইরে। শুপ্নতংগী পুং অমত্তংদা ঙাইরে, অয়ূক অঙনবদা কুঁৱরনা মাগা লোয়ননা লুহোংনবগীদমক মন্দিরদা চৎনবা লৌবা লাক্লনি। হে তাইবঙ মপূ! নঙনা মতম কুইনা লোৎতুনা অমুক পুথোরক্লিবসিবু করিগীনো? মসিসু নঙগী লিলারা? তারাদু অঙৌবা শাড়ী অমা শেৎলি, লিক-কোল পূন্নমক লৌথোক্লে। ঈশিং অশাবনা মমায়-মমিৎ তাথোকলে অদুগা শকয়েং মিংশেল মমাঙদা লাক্তুনা লেপ্লরে- কদায়দা চৎখরে পূন্নমকপু শুমহৎপা শক্তমদু? হৌজিকসু মা নহা ওইরি হায়বা য়ারিবরা? তারাদু মফমদুদা মিকুপ অমক্তফাওবা পন্থনিংদ্রে। টেবল মথক্তা লৈরিবা লৈতেংগী পোৎলমশিং অদু মাবু চিক্দৌগুম তান্নবগুম খল্লক্লে। তৌশিন্নবা পুন্সি মরেল অসি পাল্লক্ত্রে, শিংমিৎকী মায়খল অমদি বিজলীগী ফেননা ঈংহল্লবা কাদু মৈ ঙরং ঙরং চাল্লবা লৈরংগুম শারক্লে। মানা খল্লি - কদোমদা চৎকনি। রেলগাড়ীদা চৎলবসু কুঁৱরগী মীশিংনা নোং ঙান্দ্রিঙৈদা শোয়দনা লম্বী থৎকনি। মখোয়না শুকখন খন্দবা লম্বী অমদা চৎলগে হায়না লেপলে। তারাগী থম্মোয়দা চাউথোকচবা অমা ফাওরকই। মা নুংঙাইতবসু ফাওদে, নীংবা কায়বসু ফাওদে। মানা কুঁৱরগা অমুক হন্না উনবা মতমদুদদি ওইজবা থিবা য়াওদ্রবা উন্নবা শোয়দনা ওইগনি। নুংশিবনা শেম্বীবা লম্বীদা চৎলিবনি, করি নুংঙাইতবা ফাওগদৌরিবা? করিগী নীংবা কায়গদৌরিবনো? মা খঙহৌদনা ৱাখল লাকই - খঙহৌদনা কুঁৱরদু হেক লাক্লবদি মানা খল্লিবশিংদু লোয়না কায়রগনি। মা তু খ্যাও চুংই। ঙাইহাক্তংদি মা তৌফম খঙদে। অদুদগী মানা টেবলদা ফম্লদুনা চিঠি ইবা হৌরকই-

'নুংশিথোইবা, ঐবু ঙাকপীগনি। ঐ নহাক্কী ননাইনুপী ওইবদা মতিক চাদ্রবীনি। ঐনা পুন্সিদা অমুক্তা খল্লুদবা মওংদা নহাক্না ঐবু নুংশিবীখি। ঐগীদমক্তদি মসি লাইবক য়াম্না ফবনি। ঐনা হিংলিবমখৈদি নহাক্কী নুংশিবদা ঙাওজদুনা লৈগনি। ঐ অমুক হল্লকখিনি, নহাক্না উন্নরখিনি, অদুবু নহাক্না লুহোংলবা মতুংদনি। ঐ হল্লকখিনি। ঐগী থৱায়গী থৱায় ঐবু শাওবীগনু। নহাক্না ঐগীদমক্তা পীবিরকপা লৈতেংশিং অসি নহাক্কী মৌ অনৌবী অদুগীদমক্তা থমজরম্লবনি। শুপ্নতংগী নহাক্না ইহান হান্না পীবিখিবা মুক্তাগী পরেং অসিদি ঐহাক্না লোয়নজরে। ঐনা ইখূৎ লোন্নদুনা হায়জরি, ঐহাকপু থীবিরক্নু। ঐ নহাক্কীনি নহাক্কী ওইদুনা অদুম লৈগনি...।

নহাক্কী- তারা

মানা চিঠিদু টেবল মথক্তা থনম্লগা মুক্তা পরেংদু মঙক্তা শিজিল্লগা থোরক্লে। থিয়েটরগী হোলদগী ঈশৈ তারকই। মিকুপ অমক্তংদি মাগী খোঙথাংদু লেপলুই। চহী ১৫ গী শাংলবা মরী ঙসিদি তৎনরে। খঙহৌদনা মেনেজর লাকপদু উরে, মা উবদা থম্মোয়দা থুক লাউবা অমা ফাওরকই, মানা থুনা য়াঙনা ফক্লাং মরুমদা লোৎলে। মেনেজরনা হেক চৎখিবগা মা থোঙ্গাললোমদা থোরক্লে, লৈরক খরা চৎলগা মা গঙ্গালোমদা লাক্লে। গঙ্গা মপালদু পুমচিক চিকই, লাইনীংবা মঙা-তরুক্তি ঙান্থক চিংদুনা লৈবা উই। লমকোয়বা লাকপা খরসু লৈমায়দা ফি থারগা তূন্লি। গঙ্গা তুরেলসু লিলগী মতৌগুম থেক্না খোয়না চেল্লি। অপীকপা হি অমা তোর্ব্বান নপনা থাংদুনা লৈরি। হি হোনবদু হি মথক্তা ফল্লি।

তারানা হি হোনবদুদা হায়রকই - হে হিহোনবা, হিদু অশোম ৱাংমা চৎসিরা?

হিহোনবনা হায়রকই - অসুক থেংলবকানসিদা হি হোনবা ঙল্লোই। অদুবু পৈশা হেন্না পীগে হায়বদগী মানা নৌদু পায়খৎলে অদুগা হি হোন্দোকপা হৌরক্লে অদুগা হংলকই - 'ইবেম্মা অসোম ৱাংমদা কদাইদা চৎকদৌরিবনো'

'অসোম ৱাংমদা খুল অমদা চৎকদৌরিবনি।'

'অসুক থেংলবসিদা গাড়ীসু অমত্তা ফংলরোই।'

'করিসু কায়দে, ৱাংমসিদা লাম্থোকপীয়ু।'

হিহোনবনা হিদু হোনবা হৌরে, হিদু তপ্পা তপ্পা চৎপা হৌরক্লে। তরামাথোইনি পানবগী থাজনা অতিয়াদা মাগী মঙালগী হিদু হোন্দুনা সৌরজগৎ লান্নবা হোৎনরি।

হিন্দীদগী হন্দোকপা

—লৈমপোকপম বেদান্তী